হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ উয়ুম

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

চোৎ-চোৎ লাওবা নৎত্রগা ঈশিংগী ময়াদা হৌগনবা হীদাক্কী মগুনশিং থোইদোক্লা য়াওবা পীন্বীনি উয়ুম হায়রিবা ময়ায় ওইরপ্না চাউবা উ পান্বী অসি। উয়ুম পান্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান ৱিল্লো (Indian Willow), অসামিজদা ভেহ (Bhe), বেঙ্গলিদা বৈশাখী (Beishakhi) নৎত্রগা পানী জোমা (Pani joma), গারোদা ভেস (Bhesh), হিন্দিদা বেদ লেলা (Bed laila), কাশ্মীরিদা বীর (Vir), খাসিদা জামাইরি (Jamynrei), মারীথিদা ভালুনজ (Valunj), সংস্কৃততা জলবেদসা (Jalavetasa) নৎত্রগা সন্তাল (Santal), বর্মীজদা মোমাকা (Momaka), কাম্বোদিয়ানদা সাম্পীত (Sampaet), ইন্দোনেসিয়নদা দালু-দালু (Dalu-dalu), জাভানিজদা অঞ্জাং-অঞ্জাং (Anjang-anjang), লাওসিয়ানদা খাইজ খাও (Khaiz Khaw), থাইদা শানুন (Sanun), উর্দুদা বর্গ বাইদ সাদা (Burg baid sada), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সেলিক্স তেত্রাসপর্মা* (*Salix tetrasperma Roxb*) নত্রগা *প্লীনা তেত্রাসপর্মা* (*Pleieina tetrasperma (Roxb.) N. Chao & GT Gong*) হায়না কৌই অমসুং সেলিকেসী (Salicaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।

উয়ুম হায়রিবা পান্বী অসি ফুট ৩০ রোম ৱাংবা দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি নোংজু পন্থা লোইশিল্লকপদা মনা লোইনমক কেনখিবা খরা পিক্তক তৌবা উ পান্বী অমনি। উ পান্বী অসিগী উগী মকু (Bark) অদু শাংনা শাংনা চেৎখায়দুনা পায়বদা মক্রক-মক্রক লাওই। পান্বী অসিগী মনাশিং অদু মরাক চপ্পা শাংই অমসুং চুবুন-চবুন য়ান্থদুনা পাল্লি অমসুং মনাশিং অদু নৌরিঙৈদা মুগাগুম্না অরংবা কায়। মনাশিং অদু লোইনমক কেনখ্রবা হেক মতুংদা সেন্তিমিটর ৫ দগী ১০ রোম শাংবা মখোকশিংদা অশংবা মচু চংলপ তৌবা অপিকপা লৈ কয়ামরুম চবুন ওইনা পাল্লি। লৈশিং অদু লাবা, অমোম তোঙান্না পাল্লি অমসুং লাবগী লৈশিং (Male Catkins) অদু মনম য়াম্না নুংশি। উয়ুম পান্বীগী মহৈশিং অদু য়াম্না শাংই অমসুং অমুক্তদা মহৈ ৩ নৎত্রগা ৪ রোম চরোং ওইনা পাল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না উয়ুম পান্বী অসি খা অমসুং খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, নেপাল, পাকিস্টান, লাওস অমসুং থাইলেন্দগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। অতোপ্পা পাউদমশিংগী মতুংইন্না উয়ুম পান্বী অসি চাইনা, টাইৱান, সুমাত্রা অমসুং জাভাগী মফমশিংদসু হৌই। অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুরদা খরা নেমতক তৌবা মফমশিংদা উয়ুম পান্বী অসি হৌবা থেংনৈ। তুরেলগী মপান অমসুং লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা উয়ুম পান্বী অসি হৌই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না উয়ুম পান্বী অসিদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি কুইনোভীক এসিদ (Quinovic acid), সেলিকোর্তিন (Salicortin), সেলিজেনিন (Saligenin), ফিনোলিক গ্লাইকোসাইদস (Phenolic glycosides) অমসুং পাইরোকেতিচোল (Pyrocatechol) অসি মনা অমসুং উগী মকুদা য়াওই। উয়ুম পান্বীগী উগী মকুদা সেলিসিন (Salicin) অসি য়াওবগী মথক্তা তেনিন্স (Tannins) অমসুং ত্রাইতর্পিন্স (Triterpenes) অসি য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না উয়ুম পান্বীগী উগী মকুদা কম্পাউন্দ ৭ য়াওই। হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অদুদি Friedelin, 3β-friedelinol acetate, β-sitosterol, β-sitosterol-3-O-D-glucopyranoside, β-sitostenone, cis-1, 2-cyclohexanediol অমসুং long chain ester শিংনি।

উয়ুম পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়া মরুমদা শীজিন্নে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উয়ুম পান্বীগী নৌতক তৌবা লৈশিং অদু শিংজু শুদুনা নৎত্রগা মোরোক মেৎপদা কোত্তুনা চান্নে। উয়ুমগী মপান অদু ঈশিংদা ফুৎলগা মহী অদু হুন্দোকখ্রগা মপং অদু আলু নৎত্রগা অতোপ্পা মনা-মশিংদা পুন্না থাওদা ঙৌদুনা য়াম্না হাওবা মথেল অমা ওইনা চান্নে। উয়ুম পান্বীগী উ অসি ক্রিকেটকী বেট (Cricket bat) শাবদা খ্বাইদগী খুদোংচাবা উশিংগী মনুংদা অমনি। পুখ্রি, তুরেল অমসুং পাৎকী অকোয়বদা উয়ুম পান্বী অসি য়াম্না পাম্না থান্নে মরমদি পান্বী অসি লৈরায় নীংখাইবা অমসুং লৈবাক চেন্থবা (Soil erosion) অসি ঙাকথোকপা ঙম্মী। উয়ুম পান্বীগী উ অসি অফবা মখলগী শীং (Fire wood) ওইনসু শীজিন্নে।

উয়ুম পান্বী অসিদা য়াওরিবা হীদাক্কী ওইনা মগুনশিং অসি থোইদোক্লা শিংথানিংঙাই ওই অমসুং মখল মখা কয়াগী অনাবদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নে। ইজিপসিয়ানগী য়াম্না লিরবা অনা-লায়েংদা উয়ুম পান্বীগী মনা অমসুং উগী মকু অদু অরুম-লায়হৌ তৌবা, অশোক-অপন তৌবদা চৈনা হন্থহনবা, তাং চাওথোক্তুনা চীকপা নাবা তৌবা, অপাৎপা অমসুং পংথহন্নবা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ।

WHOOPING
COUGH

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না উয়ুম পান্বীগী মনা অমসুং মরা অদু কুপ্না শুগাইরগা পীজদুনা অঙাংশিংনা শিথ-শিথন্না লোক খুবা (Whooping cough) অসি লায়েংনৈ। তীল-কাঙনা চীকপা, স্কোর্পিওন হায়রিবা বৃশ্চিক তীল অসিদসু উয়ুম পান্বীগী মনা অমসুং মরা অদু পূন্না শুগাইমিন্নরগা শেম্বা মলম অদুনা তৈদুনা অমদি থোমদুনা লায়েংনবগী পাউদমসু থেংনৈ।

য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না উয়ুম পান্বীগী অকংবা মরা অদু কুপ্না তকখায়রগা পীজদুনা ময়াম্না য়াম্না কিন্নরিবা হেপাতাইতিস (Hepatitis) হায়রিবা লায়না অসি লায়েংনৈ। দিসমেনোরিয়া (Dysmenorrhea) হায়না খঙনবা নুপীনা থাগী খোঙকাপ চৎপদা য়াম্না নাবা অমদি পুক নাবদা উয়ুম পান্বীগী উশা নৎত্রগা উ য়ানবদা থোরকপা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমদা উয়ুম পান্বী ঈশিংদা ফুত্তুনা লৌবা অনংবা মহী অদু নুপীগী অঙাংথোঙদা হাপ্তুনা নুপী-নুপা হক্তিন্নরবা মতুংদা অঙাং ওইরক্কদবা অদুদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। পাকিস্টানদদি উয়ুম উগী মকু অদু অরুম-লায়হৌ অদুগা মনা অদুনা অশোক-অপন তৌবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। ইন্দিয়াদদি উয়ুম উগী মকু অদু শারৈ থুংবা অমসুং হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না শাবা অমদি চৎপা ঙমদবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। উয়ুম উগী মরা অদু দাইবেতিস হায়না খনবা ঈশিং পুকচৎ অসিদা থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। ●

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

অহল ইবুংঙো তশেংনা হিমালয় চীংঙাউগুম্বনি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না, মীওইবগী মপোক্কী পুন্সি অসি পাঙ্গল কনবা নহাগী পুন্সি ওইরম্বদগী পাঙ্গল শোন্থরবা অহলগী পুন্সি ওইরকপসি শোয়ফদ্রবা তাইবংপানবগী চৎনবী/হৌনবীনি। নহা ওইখিবা পুন্সিদো ঙরাংদা ওইখিবোই নীংই। ওন্থোক্লসু য়াঙখ্রে মতমগী খোঙলৈ চহীনা অহলবু ওইশিল্লক্লবদি, ৱাখল-লৌশিং, পাঙ্গল থৌনাসু অহল অদুম ওইশিল্লকই। অদুনবু অহল ওইবগী পুন্সি অসি চন্নফম খঙদদুনা ইফ-ফজফম লৈতে হায়নরিবনি।

নেসনলগী থাক্তা মমিং চৎলিবা মণিপুরগী ভেটরান ফিল্ম মেকর অমা ওইনা ওইনা নেসন অসিগী য়াম্না ইকায় খুম্ননীংঙাই অমসুং লেমজ নিংঙাই ওইরিবা 'পদ্মশ্রী' কৌবা এৱার্দ অসিসু ফংখ্রবা অহল ইবুংঙো মহাক অদো শ্রী অরিবম শ্যাম শর্ম্মনি। মহাক্না অহল ওইনা ওইনা চেল্লিবা তোপ তোপ্পা মতীক ময়াই খরদং তঙাইফদনা পঞ্জরিবসি, অফা-অপুন, অনম-অহা চুহনবগী মহীক্না নাহন্দুনা শোন্থরবা খুন্নাই অসিবু নীংহন্নদনবা, বুদ্ধি-লৌশিং অমসুং থৌনা পাঙ্গল হাপ্তুনা কনখৎহন্নবগী শিদহীদাক ওইনা ইরৈচা মীয়ামশিংনা শীজিন্ননবনি। ফনা অহল ওইরবসু মহাক্কী থম্মোইদগী শক্লকপা ঈশৈগী খোঞ্জেল, পূক্লিংগী থৌনা লিংজেল অমসুং ৱাখল লৌশিংদি উরু-তারুরগা করম্না অহল ওইরে, থৌনা লৈত্রে অমদি ৱাখল চোইরে হায়না লৌবা ঙমগদেরিবনো।

অহল ইবুংঙো মশামক্না কেব (সী এ বি) অসি হৌজিক্না এক্ট ওনখিদুনা সি এ এ কৌরবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎনা-কাঙলোন অসিনা মনিপুর য়াওনা অতৈ নোর্থ ইষ্ট স্তেটশিংবু নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী শক-তাকচদুনা খন্দা-লৈতাদুনা লৈজরক্লিবা য়েলহৌমীশিংগী তুংগী পুন্সিরোন্দা অকনবা চৈথেং অমা শোইদনা পীরকপা য়াবগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং অদু মীয়ামদা তোয়না শুগায়না হায়দুনা লাকই। লৈঙাক্লোয় পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরমদ্রগসু, মহাক্কী মফমদা মমা লৈবাকপু নুংশিবগী অমসুং ঙাক-শেন্নিংবগী তুংগী অশানবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোকপা ঙম্বা লৈঙাক্লোনগী থৌরবা বুদ্ধি-লৌশিংসু লৈবা উবা ফংই। মমা লৈবাক মণিপুর অসি খাংঙুথক্তা কায়খিদ্রা তোয়খিগদ্রা হায়দুনা মীপাইজখিবনা অমসুং মহাকপু নুংশিজবা অমসুং পাম্মুজবনা হেনখিবনা, অহল ইবুংঙোদি মশানা ফংখিবা অৱাংবা থাক্কী পদ্মশ্রী এৱার্দ অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা চীংলেম্না নোক্না নোক্না হন্দোকখিবা ঙম্বা নুপানি। হায়জরিবদি চাউখ্রবা পাঙ্গল-শক্তি লৈরিবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টগী মফমদা মমা লৈপাক্কীদমক মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা তাঙনা ফংলবা অদুগুম্বা মশাগী নেসনল এৱার্দ অদু মতাং-মমেন চানা হন্দোকখিবা হায়বসে পোক্লফম মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কথোকখিবগা পাংখক্লি। মরম অসিনা মহাকপু মমা লৈবাক্কীদমক মশাগী ওইজবা থিদবা, থৌনা-লিংজেল ফুদোকপা ঙম্বা অমসুং অখাঙ-কনবা নিংথৌরেন অমগুম্বনি হায়ননীংই। হন্দক্কী লৈবাক্কী অচৌবা ইস্যু অমা ওইনরিবা সি এ এগী ৱাফম্বু য়ানিংদবগী মতাংদসু মণিপুরগীদা নত্তনা এন ঈগী অতৈ শোথহৌরবা স্তেটশিংগী মফমদসু মহাক্না থৱাই হকচাং য়াওনা সোলিদরিটি উৎপা লৈপত্রি। মসিনা মহাক্কী থম্মোইগী পাক চাউবা অদু তাক্লি। আই এল পি এস অসি মণিপুরদা চৎনহল্লগনি হায়দুনা হেক লাওথোকপগা অহল ইবুংঙোনা মহাক্কী থম্মোইনুংদা লৈবাক মীয়াম্বু ইহান হান্না হেক্তা থাগৎলি। করিগীনো হায়ববু মহাক্না মতম লৈবা খিবীক্তা মীয়ামগা লোয়নজবা পামজবদা নত্তনা মীয়াম্বু নুংশিজৈ অমসুং থাজজৈ। লৈবাক্কী লুরবা তানফম কয়াদা তঙাইফদনা থৌনা ফনা চেক চেকশিল্লক্কদবসি লৈবাক মীয়াম নত্তনা অতৈ কনাসু লৈতে হায়বসি মহাক্না খঙই। লৈবাক মীয়াম অসিনবু ৱাখল তানা অমত্তা ওইনা চেৎনবু পুনখ্রবদি, মদুগী অপুনবা অদু মমা লৈবাক ঙাক্লবগী খ্বাইদগী অকনবা পাঙ্গল-শক্তিনি হায়বসি অহল ইবুংঙো অসিগী অচেৎপা থম্মোইগী থাজজবনি। পুন্সিনা লৈরিবমখৈদি মশাগী প্রোফেসন্দা থৱাই য়াওবদা নত্তনা খুন্নাই অসিগী হৌজিক্কী অমসুং তুংলমচৎকী চাউখৎনবা অফবা লম্বীশিং য়াৎহৌনবগীদমক মহাক্না মীয়ামগা তোয়না খুৎশম্নদুনা চৎলিবনি।

ইন্দিয়া পুম্বা ৱাথোক ওইনরক্লিবা সি এ এগী শাফুগী মায়োক্তা হিমালয় চীংজাওগুম লেপ্তুনা লৈগনি হায়রিবসি, মহাক অসে অচুম্বগীদমক পুন্সিগী লানফমদগী মনীংহন্না চেনবীবা মীতা জাৎ নত্তে হায়বনি। মসি মহাক্কী থৌনা ফবা, অখাঙ কনবগী খুদম্নি। অসিগুম্বা মতীক ময়াই কয়া চেল্লিবা অহল ইবুংঙোগী পুন্সি অসি মীওইবগী মপোক্তা অতাঙবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোয়। মরম অসিনা খুন্নাই অমা নীংথিনা শেম্বদসু 'অহল মথীনা চফু মেল্লী' হায়বা পাউরৌ অদু হেক হেক নীংশিংদুনা থবক তৌবা তাবনি।

অরোইবদা ইকায় খুম্নজরিবা অহল ইবুংঙোনা মতম শাংনা পুন্সি তোলোইনা হিংদুনা পোক্লফম ইমা লৈবাক মণিপুরগী থৌগল তৌজবা ঙম্নবা ইরৈচা ঐখোয় পুম্বনা তাইবং মপুবু থম্মোই শেংনা খুরুমজরিবনি।

অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি

সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট

হেঞ্জিল্লক্কদৌরবসিদা ঐখোয়না করি তৌদৌরি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

তাইবঙ মীওইবনা খুদোংচাবা ফংগদবা মফম অদুতা মী মশিং য়াম্না হুপচিনবা মসিমা শোয়দবীদা অদুমক ওইরগদবনি। মীওইবগী অপেনবা নাইদবা মসিমক তাইবঙ মীওইবা মশেল নুংশিন্দবা ওইরক্লবগী লম্বীসু অদুমক লাক্তবা নত্তে। মসিবু মতোইনা য়াম্লবা অমদা খঙদে অমদা খঙদে ৱাথোক খরদি শোয়দনমক্কী লাক্কদৌরিবনি। মতম অমগী মী য়ামদ্রিঙৈগী মতমদু হৌজিকপু ওইয়ু হায়বা য়াবা নত্তে। চহী খরগী মতুংদা মীনা অসুম-অসুম য়ামথোরক্তুনা লৈফম ফাওবা লৈরক্লোইদৌরিবনি। করবার অতৈ তৌগদবগী শরুক্তা কনাগুম্বা খরদি ইংখোলদা, লৌদা ওইনা করবার তৌবা য়াওরিবা পোৎনি। তৌবগীবুদি চাওনা শেলেপ পায়দবা য়াদবা করবার ওইবনিনা কাবক-কাবক পায়বনদি তৌরুবর য়াবা নত্তে। য়ামদ্রবদা লুপা লাক্ষ ৩০/৪০ পায়বগী তঙাইফদবা ওইবসিনি। লাক্ষ অমা অনী পায়বনদি তৌবা য়াবা নত্তে। হন্দক্কী চহীদা লুপা লাক্ষ ১৭/১৮ পীবদু ওল্লকপা চহীদদি দুনা তৌংদৌরিবনি। য়ুম শাদুনা লৈবদা খুদোং চাগদবা মফম ওইরবা ঐখোয় মশেল লৈনবদা খুদোং চাবা কয়া অমা ফংলবসু মমলদু য়ান্নদবনা লৌনা-লৈনদবনা মশীং অয়াম্বনি। ইংখোলসু ওইবা য়াবা, লৌসু উবা য়াবা মফম অমা য়োনবদা মমল কয়ানো লৌগদবা? মফম অদুদং চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাগদবা ওইরবা তাউ খোৎলু হায়দবা মখৈ লৌগনি হায়বা অদুমক ময়াওরিবনি। ঐখোয় মশেল লৌনবনা অদু তাউ অদা তাউ হায়দুনা ঙাঙনা-শক্লবা মসিমা অদুমক ওইদৌরিবনি। অয়োনবা মীওইদুনা পামলিবদি হেন্না পীবা ঙম্বা মীওইদুদা য়োনবা হায়বসি মশানা তাবনি।

ঐখোয়গী মতম অমগী লমহাংনি-তুমাংনি হায়দুনা লৌ পানবা ফাওবা নিংথি-নুংঙাই চাথোক ফংদ্রবা মফম অদুমক য়োন্থোক-খোৎতোক তৌরকপদা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইনা লৈদুনা মখোয়গী মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈ হৌনদুনা খুন্দারবা মসিমা তৌদে-খোৎতে হায়বা য়াবা নত্তে। মসিসু অদুমক ময়াওবনি। মীওইবা হায়বসিতবু হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা খনবসিনা মশীং অদুমক হেল্লবনি। তুংগীদমক খন্দুনা মীৎয়েংদা শাননা উবা ঙম্বা অদুগুম্বা মীওইদুদি লমদমসিদা মশীংবু পংয়াম য়াল্লমগদবা মান্দ্রবনি। ঈংনা চিক্না মকা লাম্না মীৱা মৈশা লাংদবা মখৈ মরোমদোম হিংজরম্বা পোক্লফম লমদম লমনুংশি মীয়ান মচাশিংনা মশীং য়াল্লক্কদৌরিবনি। শম্না হায়রবদা করিগুম্বদা লমদমসিদা বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল স্ত্রাইক লৈরবা ইম্ফালগী ময়োন্দা লৈরিবা খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী খাদা, ৱাংদা, নোংচুপ্তা, নোংপোক্তা চৎতুনা অমক্তং য়েংবদা মীয়ান মচা মশীং থিবদা ঙমদদুনা তৌক্কদবতনি। মীৎনা শঙ-শঙ অদুমক উরগদবা চরক পুজা নুমিৎসিদা মীনুথোঙ ৱাংমদা হায়বদি ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বন্দা লাইনিং পরৈ চেৎনা পুজা তৌরিবা মখোয়গী মরক্তা ইজাতিগী মীওই অমতা য়াওদবনি। অয়াম্বনা মীরোন লোনবা মীওইবনা হেল্লবনি। মসিদা নৎতনা অতোপ-অতোপ্পা মফম খরদসু তৌরম্বা য়ারিবা পোৎনি মতম অমদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা থেঙনরকপা থৌদোক নত্তে। হৌজিক্তি মীগী মখল-মখল লৈরক্লবনিনা। অতিয়াদা থোকপা চুমথাঙগী মচুগুম ওইরক্লবনি। চুমথাং করম্বা মতমদা থোকই, করিগীদমক চুমথাঙ মখোঙ থেঙনরবদি শোয়দনমক্কী... মসিবু থাজবা য়াবনি হায়বা য়াবা নত্তে। থাজ-থাজদবদা থৌশারুদবদগী পোক্লফম লমদম লমনুংশি মখোয়গীসু মরমদম শোয়দনমক্কী ওইরক্কদৌরি? লৈশিন্নরবনিনা নকশিন্নরবনিনা নমদনা নুংশিবা হায়বা অসিমা নমদনা লাক্লবনি। হৌরকফমনি শাৎফমনি হায়রিবা ইরমদম কনাগীসু ওইবা য়াগদবা নত্তে। অদুমনদি ওইরবদা ইথা থাজদা ঐখোয়গী ইপুনা লিবিরম্বা ৱারী অমা খঙনীং নীংশিংলকই। খোংবাল অমদা মরাং কাইনা লৈরম্বা ঈশিংদু অসুম-অসুম কাঙশিল্লকপদা মথ্বায় ৱারবা খোংবান্দুদা লৈরিবা ঙাশিংদুনা ৱাখল ফনা নিংথিজনা লৈরবা, অহল ফনা নিংথিজনা ওইরবা ঙাশেপ অহন্দুগী মনাক লাক্লগা ৱাকৎলবদা ঙাশেপ অহন্দুনা ৱাকৎপদু তারবদা মুন্না খল্লগা হায়রকই, করিদি তৌরুনি। ঈশিংসিনা কঙদ্রিঙৈদদি কঙগদবা মান্দবদগী করিসু তৌরোই নখোয় ময়ামগী নতৈ ঐহাক লৈ হায়রম্বনি হৌজিক্তি নতৈগীসু নখোয়গীসু অক্মাগী অক্মা ওইদৌরি? ঈশিংসিনা কঙখিবদা ইশিৎলিবা মীওইশিংসিনা ঐখোয় ময়ামবু নমদুনা ফাখ্রগবদনি। মতমদুদা খোংবানসিদা লৈল্লিবা হৈথোই শিংথোইরে হায়দুনা থৌনা লৈনা অদুনি অদানি হায়দুনা মখৌ পোংলম্বা পূম্নমক তুঙ্গোল অমতদা ঐখোয় পূন্না অমুকসু লৈমিন্নরগদবনি। মসি হায়না হায়না খোংবান্দুগী ঙাশিংদু লোইনমক...। মসিগী ৱারিসিমা করি করিগুম্বা মতমদা মতাং মতম চানা ৱারিনবা য়াওরিবনি। মতাং মতম চারিঙৈদদি করি তৌজগবনো খন্দুনা লৈরিঙৈদা চিংশিল্লক্লবা মতমদা থৌনা লৈনা মকন্থি ফুদোক্তুনা ঐখোয়গী ইরমদমনি, নখোয়না করিগীদমক মীয়ান মচা মখোয়বু...? ঐখোয়গী অপাম্বা ওইগদৌরিব্রা? মমল হেন্না পোৎশিৎ পাম্বা ঐখোয়গী লাইবক নোংমা-নোংমগী অসুম-অসুম খোংবান ঙাশেপকী ৱারী তারক্কদৌরিব্রা করিনো অমা তৌরক্লবনি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি মতম হায়বসি নৎতনা অতোপ্পা অমা লৈগদবা মান্দ্রবনি। খরা চারগা, চবী অমা চাবা কোন্নবা কোটতা ফৌ খরা হাপ্লগা নিংঙাইদনা খোঙগ্রাই চন্দুনা করি তৌজ গবনো খন্দুনা লৈথোক্লুবগী মহয় নোংমদি শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। য়ূমদাংবনা কৈনাবা মসিমক থোক্লকদবগী ঙাইদুনা লৈরক্লবনি। মপোপ কাইরগা লাকপা মীতোপ মচাশিংসিনা লমদমসিদা লৈরকপদগী মশাগী ফীভম হোংলকপা মসিগা লোয়ননা মরমদমদা লৈহৌবা মখোয়গী মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈবু কৌশিন্দুনা লমদমসিদা লৈহন্নবা হোৎনরকপা মসিবু তৌদে হায়বা য়ারিব্রা? মীপাই-থবাইবা পোকপনা ঐখোয়গী লায়না নমদা ওইদৌরিবনি। মতিং ফুদোকপা য়ারিঙৈদা ফুদোকহৌদ্রগা অন্তা-কাল য়ৌরক্লবা মতমসিদা ঐখোয়না তৌগদৌরিবসিবু করিনো? লমদমসি শৈদাংলবনিনা মখোয়সু হিংদবা য়াদে, ঐখোয়সু হিংদবা য়াদে। শোয়রিবসিবু মখোয়গীনি হায়দৌরিব্রা? শম্বল ফজনা খাদুনা লৈরিবা, মনা মশিং ফজনা থারিবা মফমদা ষন, শগোল ইরোইনা চঙদুনা থারিবা মনা মশিং চাথোকপা হায়বসি থাজবা ৱাৎলগদবনি। লমহাংদা মনা মশিং থারগা মনীং তৌনা চাথোকখিবদা চারিবা ষণ, ইরোই শাগোলদু হাৎলুবা য়াবা নত্তে। মুন্না হেক খন্থরুবদা ৱারৌদৌরিবসি ঐখোয়দা অদমক তারগদবনি।

অদোমগী-হেমজিৎ ইরোম্বা

খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No.1073/SDC/M 27/12/2019

Oinam Mani Singh S/o (L) Yaima Singh of Moirang Khuman Maning Leikai.

-Vs-

(Late) Oinam Yaima Singh S/o (Late) Thabaljao Singh of Moirang Khuman.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 27th Dec., 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৩- মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৭৩৪ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৮৫৩৩, এরিয়া ১.২০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংগী মচানা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখগনি।

HL-P/5808/28 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

IN THE COURT OF THE SUB-DIVISIONAL OFFICER; BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 55/SDO/Bishnupur, 2019

Gurumayum Nilamani Sharma S/o (L) G. Gopalji Sharma of Bishnupur Ward No. 4 *...Petitioner*

-Vs-

Gurumayum Gopalji Sharma S/o (L) G. Nandalal Sharma of Bishnupur Ward No. 4. - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 26th December, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Gurumayum Gopalji Sharma S/o (L) G. Nandalal Sharma of Bishnupur Ward No. 4 গী মীংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur Awang গী Patta No. 396/141 (new), C.S Dag No. 1400 গী 0.11 acres চাউবা ইঙ্খোল অমদি C.S Dag No. 1129 গী 1.27 acres গী ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখরনি।

HL-P/4551/28 *Sd/-* **Sub-Divisional Officer, Bishnupur**

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
In aid of Annual Fund Drive
Org. By Brotherhood Martial Atr Academy
Regd. No. 2441 0f 1992
Ticket Rate Rs. 2,000/-
Date : 28th December
Saturday 2019 DrawTime : 5p.m.
HOUSEFULL
7 Lacs
All Line Q5&Star are Rs.10,000/-
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 600/-
Housefull
1st 2nd 3rd 4rd 5th
VENUE : Singjamei Thongkhong Community Hall
HL-P/5804/28

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।